# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সিংদা ত্রিটমেন্ট প্লান্টতা লৈবা ৭ শুবা মণিপুর রাইফলসকী পোষ্টতা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপদা দ্রোন শিজিন্নদুনা এটেক চথরকপদা অমাং অতা কয়া থোক্লে হায়রি।

২) রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা হায়রি- মণিপুরদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মংকি পোক্সকী কেস অমত্তা লৈত্রি।

অমসুং

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- উদ্যোগ অমসুং শিক্ষাগী লমদা নিংথিনা থবক তৌরিবা লুপশিংনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী লমদা অচৌবা মতেং পাংলি।

------

এটেক (এল)ঃ সিংদা ত্রিটমেন্ট প্লান্টতা লৈবা ৭ শুবা মণিপুর রাইফলসকী পোষ্টতা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপদা দ্রোন শিজিন্নদুনা এটেক চথরকপদা অমাং অতা কয়া থোক্লে হায়রি।

দ্রোন বোম্বিংগী এটেক অদুদা পোষ্ট অদুদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকায় অতোই খরা থোকপা নত্তনা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং শোকহৌদ্রে হায়রি।

কুকি (এল)ঃ কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম থাদরবা ফাওবদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা করিগী তুমিন্না লৈশিল্লিবনো হায়বা ৱাহৌদা য়ানিংদবা

ফোংদোক্কুনা ইম্ফাল ইষ্টকী সিনাম, য়ুমনাম খুনৌ, য়ুমনাম পাৎলৌ, সমবৈ, চীংখু অমদি খুন্দ্রাকপমনচিংবা মফম কয়াদগী লাকপা খোইশাওনরবা মীয়ামা ঙরাং শগোলমাংদা লৈবা ২৮ সুবা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা থোমজিনখ্রে। দ্রোন শিজিন্নদুনা মীয়ামদা এটেক তৌনবা বোম থাদবগী থৌওং অসি এয়ার ষ্ট্রাইক্কা চপ মান্নবা থৌওং অমনি। রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকার হিরম অসিদা অকনবা চংদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীগদবনি হায়না খুঞ্জাশিংনা দাবী তৌখি।

মংকি পোক্স (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মংকি পোক্সকী কেস অমত্তা লৈত্রি। রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেসকী দিরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিরিবামদা মংকি পোক্সকী কেস অহুম লৈরে হায়না মীয়ামা চিংনরিবা অদুগী মতাংদা পল্লদুনা অঙাংশিং অদুগী লাইওংগা মরী লৈনবা সেম্পলশিং গুৱাহাতি মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালগী মাইক্রো বাইওলোজি দিপার্টমেন্টতা টেষ্ট তৌবদা নেগেতিভ ওইরে। মরম অদুনা লায়না অসিগী মতাংদা মীয়ামা মীপাইবীদনবা হেলথ সার্ভিসেসনা আপীল তৌরি।

রেবিস (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রোদগী মীওই অমা রেবিস লায়নানা মরম ওইদুনা ঙরাং লৈখিদ্রে। মহাক ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা লায়েংদুনা লাকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অসি মহাকা লোইজবা হুইনা চিকখিবনি হায়রি। ফিভম অসি য়েংলগা নেসনেল রেবিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা রেবিস লায়নাগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম ঙরাং অন্দ্রোদা পাঙথোকখ্রে। য়ুমদা য়োকপা হুই, হৌদোং হিদাক কাপথোকপগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি হায়রি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থেংনরে হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা তমেংলোং পাউমী রিংবম কামৈনা হায়- হন্দক সব-দিভিজনগী লম্বী থোংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা পুমরাম ভিলেজদগী

ক্লাস আইট তল্লিবা অঙাং অমা লায়কন্নবা ঙবদনা ঙরাং লৈখিদ্রে। মহাক নারকপদগী লায়েংনবা হোস্পিতালদা পুনবা হোৎনবদা লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবদগী মতম কুইনা লায়েংবা ঙমদনা লাকখিবনি।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমী রিংবম কামৈনা হায়- হন্দক লেপ্তুনা নোং চুখিবনা মরম ওইদুনা তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা লম্বীশিং লৈখোম অমদি লৈনাংনা মরম ওইদুনা খোঙনা চৎপা ফাওবদা অৱাবা কয়া মায়োকরি। মদুনা মরম ওইদুনা অঙাং অদু হোস্পিতালদা মতম চানা পুখৎপা ঙমখিদবনি। মীয়ামা তৌসেম সব-দিভিজনগী লম্বীশিং গাড়ি চৎপা য়ানবা নিংথিনা শেম্বীয়ু হায়না মরী লৈনবা ওথোরিতিদা আপীল তৌরক্লি।

চান্দেল (এল)ঃ সেপ্তেম্বর ১ দগী ৩০ ফাওবা থা অমা চুপা চখ্খরিবা রাষ্ট্রিয়া পোসন মাহগী কেম্পেন চান্দেল জিলাদসু মায় পাকা চখ্খরি। আই.সি.দি.এস সেল চান্দেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা খুৎশমরগা মীয়ামদা মচি ওইবা চীঞ্জাক পীজবগী কান্নবগী মতাংদা নিংথিনা ভাব তাহন্নবা রেল্লি অমা চান্দেল হেদ ক্বাটরসতা ঙরাং পাঙথোকখি। রেল্লি অদুদা অঙ্গনৱাদি ৱার্করস অমসুং হেল্পর কয়াসু শরুক য়াখি।

কেম্পেন (এল)ঃ নসামুক্ত ভারত অভিয়ান কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা সি.সি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হিদাক মনা শিজিন্নবগী মাংজবগী মতাংদা মহৈরোইশিংবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংনা পোষ্টর পায়দুনা নিশা শিজিন্নদনবা স্লোগান কয়াসু লাউখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসার ৱাইখোম থমাবতি শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ সেপ্তেম্বর ১ দগী হৌখিবা ৱার্ল্ড ন্যুত্রিসন ৱিক থৌরমগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা

মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম অমদি মেদিকেল কেম্প কয়া মথং মথং চত্থবা হৌরে।

অসাম রাইফলসনা চত্থরিবা কেম্পশিং অদুদা খুঞ্জাশিং নিংথিনা য়াওদুনা থৌরম অসি হেন্না মপুং ফাহল্লে হায়রি। মচি ওইবা চীঞ্জাক পীজবগী মতাংদা কেম্প অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা মীয়ামদা ভাব তাহনবগী লেপচর প্রোগ্রামসু পাঙথোকখি।

রাষ্ট্রপতি ঃ  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- উদ্যোগ অমসুং শিক্ষাগী লমদা নিংথিনা থবক তৌরিবা লুপশিংনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী লমদা অচৌবা মতেং পাংলি।

মহারাষ্ট্রগী কোলাহপুরদা লৈবা শ্রীবরানা মহিলা সহাকারি মল্টি ইন্দষ্ট্রি গ্রুপকী গোল্ডন জ্বিলিগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়- গ্রুপ অসি হৌদোক্লম্বা ততিয়া সাহেব কোরনা নুপীশিং কোওপরেতিভ সেক্তরদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরক্লি। নুপীশিংনা শিক্ষা, হকশেল অমসুং শেল থুমগী লমদা মাংজিল থারি হায়না নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ৱারানা গ্রুপনা নুপীশিংবু মাংজিল থানা চৎহন্নবগীদমক লৈপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

সিবিআই ঃ সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি.বি.আই)না আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালগী হান্নগী প্রিন্সিপাল ডাঃ সনদিপ ঘোস ঙরাং ফাদুনা মচিন হংবগী থবক চত্থখ্রে। হোস্পিপাল অদুগী থবক থৌরমশিংদা ডাঃ ঘোসনা শেল থুম লান্না শিজিন্নবা য়াওনা হন্দক ডোক্তর নুপী অমবু ইজৎ মাংহল্লগা হাৎপগী থৌদোক্তা চেন্নব্রা হায়বগী মতাংদা মহাক্কী মথক্তা সি.বি.আইন ৱাহং পাউহং চত্থখিবনি হায়রি।

ফুটবোল (এল)ঃ অন্দর সভেন্তিন জ্নিয়র বোইজ সুব্রোতো কপগী গ্রুপ-সিগী মেটচ অমদা মণিপুরনা মধ্য প্রদেশপু মায়থিবা পীখ্রে । নিউ দিল্লিগী কে.আই.আই.টি গ্রাউন্দদা শান্নবা মেটচ অমদা মণিপুর মধ্য পদেশপু পাঞ্জল ৭-

০ দা থোইখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ উরিষাগী বেরহামপুর ষ্টেদিয়মদা শান্নবা সব-জ্‌নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপতা মণিপুরনা হরিয়ানাবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইরে। মণিপুরগী পাঞ্জলশিং অদু য়াইফবী থোকচোম, থৌদাম মালেমঙানবী অমসুং জ্‌লান নোংমাইথেমনা চনখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা কুকি লালহৌবশিংনা দ্রোন বোম্বিং এটেক লেপ্তুনা চত্থরক্লে, মচিন মৌপৰা য়াওনা অহুম শোক্লে, সিনামদা লৈবা ষ্টেট ফোর্সতগী নোংমৈ অহুম লৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কৌত্রক্কী কুকি লানদা মীয়াম মৈ হৌনা শাওনরে, রাজ ভবন, সি.এম বঙ্গলো ফাওবা সেফ ওইরক্ত্রে হায়না ইন্দিয়া ব্লোকনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, এম.এল.এ মিনিষ্টরশিং খুল ঙাকপা চৎপীয়ু হায়না অমুকোনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদনা অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

চুরাচান্দপর-ককচিং-বিষ্ণুপুরগা তাইনবা য়াওনা কাংপোকপীগা তাইনবা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী মফমশিংদা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈরে হায়না পুলিসনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- কৌত্রক্কী দ্রোন এটেক থিজিন্ননবা হাই লেবেল কমিতি শেমখ্রে, দ্রোন অমা ফাগৎখ্রে, এন.আই.এদা কেস শিন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেক্যুরিতি এদভাইজরনা করি থৌশিল পায়খৎলিবগে, মী কয়াম শিরগা

শান্তি পুরক্কদবনো হায়না থাংমৈবন্দ এ.সিগী এম.এল.এ খুমুকচম জয়কিসন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

এম.এল.এ- ইমোনা সেন্তরদা অইবা চেরোল থাদুনা মণিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা তকশিনখ্রে, ভাবোকুম য়েংদুনা লৈগদবা ওইরগদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লমদম অসিদগী লৌথোকপীখ্রো হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- দ্রোনগী বোম থাদরকপা লেপত্রি, সেন্তরনা মীচম কনবা ঙমদ্রে, আই.আর.বি পোষ্টতগী কুকিশিংনা খুৎলায় লাকখ্রে, সিনাম খুলগী খুঞ্জাশিংনা ২৮ এ.আরদা থোমজিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- মণিপুরগী ইজ্‌কেসন মন্ত্রিনা থৱায় য়াওবা ওজাশিং গভর্নমেন্ট স্কুলশিংদা থবক তৌবীনবা কৌবা, ইম্ফাল ইষ্টকী আই.আর.বি পোষ্টতগী খুৎলায় লাকখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোং হেদক্বাটরদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন শরুক য়াগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- দ্রোনগী বোম এটেক্তা শেঞ্জম চিরাংদা মীওই অমা শোকখিবগী পাউ অমদি ১৬ শুবা অসাম রাইফলসকী জৱান্না মাওদা নহা অমদা তাথি তাওইনা তৌরকপগী পাউশিংনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------